## গোৱা রেবিস ফ্রী ষ্টেট ওইরে

পানাজি, জুন ২৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহী ৩ অসিদা গোৱাদা রেবিসকী কেস অমত্তা থেংনখিদবগা লোয়ননা ষ্টেট অসি রেবিস লায়না লৈতবা লৈবাক অসিগী অহানবা ষ্টেট ওইরে হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রেবিস লায়নাগী মায়োক্তা হুই ৫,৪০,৫৯৩ হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিদা হুইনা চিকপা থিংবগী মতাংদা মীওই লাখ ১রোম এদ্যুকেসন পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা ইমর্জেন্সি হোটলাইন অমগী খূথাংদা পূং ২৪ লেপ্তুনা রেবিস সর্ভিলেন্স চথরি।

ষ্টেট অসিদা হুইনা চিক্লবা মীওইশিংগীদমক্তা রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং শেমদুনা থম্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, রেবিস লায়না কন্ট্রোল তৌবগী থবক অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী গ্রান্টকী খূথাংদা চল্লাইবা মিসন রেল্লিজ প্রোজেক্টনা পাঙথোকই।

## ইনভষ্টিগেসনশিংগী মমল লেপখ্রে

হায়দরবাদ, জুন ২৩ (এজেন্সী):
দোক্তরশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মতাংদা তোয়না প্রিস্ক্রাইব তৌবা চেষ্টকী হাই রিজেল্যুসন সি টি (ঐচ আর সি টি), আই এল-৬নচিংবা দাইগনোষ্টিক ইনভেষ্টিগেসনশিংগী মমলশিং টেলঙ্গনাগী ওইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

কোভিদ পেসেন্টশিং হোস্পিটালশিংদা পুবদা প্রাইভেট এম্বুলেন্স ওপরেটরশিংনা চার্জ তৌগদবা রেটশিংসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লেপখ্রে। অদুম ওইনমক কম্মিটি অমনা রিকম্মেন্দ তৌরকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী নোর্মেল ৱার্দশিংদা আইসোলেসন ফেসিলিটিশিং, আই সী য়ু অমসুং ভেন্টিলেটর ক্যের মথৌ তাবা কোভিদ পেসেন্টশিং নুংতিগী লায়েংবদা চঙলিবা মমলশিংদি রিভাইস তৌখিদ্রে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা চঙবা মমলশিং হৌখিবা চহীদা লেপখিবা চাং মখা তানা চৎনখিগনি।

## ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৪০০ দোনেট তৌখ্রে

অমরাবতি, জুন ২৩ (এজেন্সী):
য়ু এস-ইন্দিয়া ষ্ট্রেটিজিক পার্টনরশিপ (য়ু এস আই এস পি)না অন্ধ্র প্রদেশতা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৪০০ দোনেসন তৌরক্লে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অন্ধ্র প্রদেশ কোভিদ নোদেল ওফিসর অর্জা শ্রিকান্থনা ফোঙদোরক্লি।

শ্রিকান্থনা হায়, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৮০০ দোনেসন তৌরক্লিবা য়ু এস আই এস পিদা ঐখোয়না তৌবীমল খঙবা উৎলি। কন্সেন্ট্রেটরশিং অদু দেল্লীদা অন্ধ্র প্রদেশ ভৱনগী রেসিদেন্ট কম্মিস্নর ভভানা সক্সেনা ওকখি। মহাক্না কষ্টমসকী ফোর্মেলিটিশিং ক্লিয়র তৌবদসু মতেং পাংখ্রে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্সেন্ট্রেটরশিং অদুবু দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুনবগীদমক্তা ইষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরদা মুভরশিং অমসুং পেকরশিংগী নেকপগী থবক শিন্নখি। কন্সেন্ট্রেটর ৪০০ অদুগী মনুংদা ২০১ ইষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্টতা এলোকেসন তৌখি, ১০০না ৱেষ্ট গোদাবরিদা অমসুং কন্সেন্ট্রেটর ৫০/৫০না কৃষ্ণ অমসুং শ্রীকাকুলমদা এল্লোকেসন তৌখি।

## গঞ্জা স্মগ্লিং রেকেটতা চেন্নবা মরি ফারে

অমরাবতি, জুন ২৩ (এজেন্সী):
অন্ধ্র প্রদেশকী প্রকাসম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা গঞ্জা কে জি ৪০০ ফাখিবগা লোয়ননা স্মগ্লিং মাষ্টরমাইন দেভেরেকোন্দা ইরেশ য়াওনা ইন্টরনেসনল স্মগ্লিং রেকেটতা চেন্নবা স্মগ্লর ৫গী খূৎপু অমা ফাখ্রে।

সভারানাপালেম ভিলেজদা লৈবা গঞ্জা স্মগ্লিংগী মাষ্টরমাইন্দ দেভেরেকোন্দাবু ফাননবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি)না স্পিসল টিমশিং শেমখি। প্রকাসম দিষ্ট্রিক্টকী এস পি সিধারথ কৌশালগী দিরেক্সন্দা পুলিস টিমশিংনা তাঙ্গুতুরু টোল প্লাজাদা গাড়ীশিং ছার্চ তৌবদা মীওই ৫ গঞ্জা কে জি ৪০০গা কোন্ননা ফাখিবনি। গেং অদুনা গঞ্জা ময়াম অদু বিখাপটনমগী ফোরেষ্ট এরিয়া অমদগী ট্রক অমদা হাপ্লগা পুরমখি। গঞ্জা পুথোক-পুশিনগী থবক্তা শীজিন্নখিবা কার অমসু পুলিসনা ফাখ্রে।

# বেঙ্গলগী স্পিকর বিমান বেনর্জিনা গভর্ণর জগদীপ ধনখরগী মায়োক্তা কমপ্লেন তৌখ্রে



কোলকটা, জুন ২৩ (এজেন্সী):
পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি অমসুং হাউসকী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা খূৎ থিংজিনবগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী স্পিকর বিমান বেনর্জিনা ষ্টেট অসিগী কন্সটিট্যুসনল হেদ ওইরিবা গভর্ণর জগদীপ ধনখরগী মায়োক্তা কমপ্লেন তৌখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং গভর্ণর ধনখরগী মরক্তা মুক্কবগী ফিভম হেন্না লুশিনখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী স্পিকরশিং অমসুং লোক সভাগী স্পিকর ওম বির্লাগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ভার্চ্যুএল মীটিং অমদা গভর্ণর জগদীপ ধনখরনা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি অমসুং এসেমব্লিগী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লে হায়না বেনর্জিনা কমপ্লেন তৌখি।

বেঙ্গলগী স্পিকরনা মখা তানা কমপ্লেন তৌখি মদুদি, বিল কয়া এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবসু গভর্ণরনা সাইন তৌদবদগী তাদুনা লৈরি। মসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী পুৱারীদা অহানবনি। মমাঙদা অসিগুম্বা অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

গভর্ণর ধনখর থেংখাং কয়াদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা মুক্কদুনা লাক্লিবনি। মহাক নোর্থ বেঙ্গল টুর তৌরকপা নুমিৎ তরেৎনি শুরে। হন্দক্তা ধনখরনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা ইখিবা লেট্টর অমদা মীখল মতুংগী ভাইওলেন্সকী মতাংদা মমতাগী গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা ফিরেপ্পু মহাক্না ক্রিটিসাইজ তৌখি।

ধনখরনা দেল্লীদা ফাওবা চত্তুনা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দ অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উনখি। মহাক্না ষ্টেট অসিদা লো চৎনদবগী অকূপ্পা রিপোর্ট অমা পীরম্বা য়াই হায়না থাজনখি। ধনখরনা অতৈ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়াসু উনদুনা মখোয়গা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৱাফম কয়া খন্নখি।

স্পিকরনা ষ্টেট অসিদা কোরোনা-ভাইরস ইনফেক্সন কন্ট্রোলগী ৱাংমদা হেনগৎলকপগী মতাংদা স্পিকরনা ইলেক্সন কম্মিসনদা মরাল শীখি হায়বদি এসেমব্লিগী ছোর্সশিংনা কনফর্ম তৌখ্রে। ভার্চ্যুএল মীটিং অদুদা ৱা ঙাঙখিবা স্পিকর বেনর্জিনা হায়খি মদুদি, চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি য়াওনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীখলগী ফেজ মশিং হন্থহন্নবা কয়ারক হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং ইলেক্সন কম্মিসননা য়াখিদবদগী ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অরুবা ফিভম অসি লাকখিবনি।


# ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট কেস ৪০ শুরে: গভর্ণমেন্ট

ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবদা দেল্টা প্লস ভেরিএন্টনা থোকহনবা কোরোনাভাইরস লায়না (কোভিদ-১৯)গী কেস পূন্না ৪০ শুরে হায়না এজেন্সিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়রি।

দেল্টা প্লস ভেরিএন্টকী কেস অয়াম্বা মহারাষ্ট্রা, মধ্য প্রদেশ, কেরেলা অমসুং টামিল নাদুদগী রিপোর্ট তৌরক্লি। মসি হৌজিকসু ভেরিএন্ট ওফ ইন্টরেষ্ট ওইরি। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা দেল্টা প্লস ভেরিএন্টনা থোকহনবা কেস ২২ ওইখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (এম ও ঐচ এফ দব্লিয়ু)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা দেল্টা প্লসপু ভেরিএন্ট ওফ কন্সর্ন (ভি ও সি) অমনি হায়খি। জেনোমিক সিক্বেসিং লেবশিংগী কন্সোর্টিয়ম অমগী এনালাইসিস পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা দেল্টা প্লসপু ভেরিএন্ট ওফ কন্সর্ননি হায়না লাউথোকখিবনি।

এনালাইসিস অদুদা ম্যুটেটেদ



ভাইরস অসি হেন্না থুনা শন্দোকপা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি। নুমিৎতুগী অঙনবদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুষননা দেল্টা প্লসপু 'ভেরিএন্ট ওফ ইন্টরেষ্ট' (ভি ও আই) অমদি ষ্টদি তৌরিবা ভেরিএন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট থেংনরিবা মহারাষ্ট্র, কেরেলা, অমসুং মধ্য প্রদেশতা পব্লিক হেল্থ রেস্পোন্সকা মরী লৈনবা থৌরাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা হেন্না ইফেক্টিভ ওইহন্নবা সেন্টরনা খঙহনখ্রে।

চীফ সেক্রেটরিশিংদা দেল্টা প্লসপু ইন্দিয়াদা হান্না দিটেক্ট তৌখিবা দেল্টা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট নৎত্রগা বি ১.৬১৭.২ ষ্ট্রেনগী ম্যুটেসন অমা ওইনা লৌনবা পাউতাক পীখ্রে।

দেল্টা প্লস অসি সাইন্টিফিক মিংদা এ ৱাই ১ ভেরিএন্ট কৌই। এম ও ঐচ এফ দব্লিয়ুগী ষ্টেটমেন্টতা পল্লিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ভেরিএন্ট অসিনা লংসতা হেন্না শোকহনবগা লোয়ননা মসিনা এন্টিবোদিশিংগী মতিক ময়াই হন্থহনবগী মওং অমা উবা ফংখি।

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা অতোপ্পা ভেরিএন্ট অমদি সাইন্টিফিকেল্লি বি ১.৬১৭.১ ষ্ট্রেন তৌবা কাপ্পা অসিনি। অদুম ওইনমক, লৈবাক অসিদা অনীশুবা কোভিদ-১৯ ৱেভ থোকহল্লিবসি দেল্টা ভেরিএন্টননি হায়না থাজনৈ। এপ্রিল-মেদা ভেরিএন্ট অসিনা কোরোনাভাইরস কেস খংৱাং ৱাংহনখি।

হৌজিক্তি হন্থরবা অনীশুবা ৱেভতা লৈবাক অসিদা নুমিৎ কয়ানি লেপ্তুনা রেকোর্দ ওইবা মওংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেসশিং হেনগৎহনখি। লায়না অসিনা মী শিনবগী চাংসু হেনগৎহনখি।

# চোকসিগী মতাংদা এন্টিগুৱাগী পি এমদা ৱাহং কয়া হংখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী):
পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি)গা মরী লৈনবা লুপা ক্রোর ১৩.৫০০ গী নমথাক্কী কেসতা চেন্নবা মীচেল ওইরবা ইন্দিয়ন বিজনেসমেন মেহুল চোকসিগী মতাংদা এন্টিগুৱা অমসুং বারবুদাগী প্রাইম মিনিষ্টর গাষ্টোন ব্রাউনবু লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱাহং কয়া হংখ্রে।

করিবিন লৈবাক অসিগী ন্যুজ আউটলেট অমা ওইরিবা এন্টিগুৱা ন্যুজ রুমনা ফোঙবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংসকী ক্লিপ অমগী মতুং ইন্না, ব্রাউননা স্পিকরদা মেহুল চোকসি কিদনেপ তৌখি হায়বা ৱাফম অসিগী ইভিদেন্সকী মরমদা মহাক খঙখিদে। ইনফোর্মেসন অসি পব্লিক দোমেনদা লৈ হায়খি।

চোকসিবু ফাখি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা স্কোটলেন্দ য়ার্দ নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা এজেন্সিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টতা কন্টেক্ট তৌরকপা লৈব্রা হায়না হংবদসু ব্রাউননা অদুগুম্বা লৈতে হায়না খুমখি। পি এম ব্রাউনবু ওপোজিসন লীদর বদমল প্রিংগালনা ৱাহং কয়া হংখিবনি।

চোকসিবু মশানা য়াদনা দোমিনিকাদা পুখি হায়বগী ইভিদেন্স স্কোটলেন্দ য়ার্দ নৎত্রগা অতৈ ইনভেষ্টিগেটিভ বোদিনা ফংখিবা লৈব্রা হায়না এন্টিগুৱাগী প্রাইম মিনিষ্টরদা হংখিবনি। ইন্দিয়ন বিজনেসমেন চোকসি মে ২৩দা মাঙখিবদগী থি হুম্বগী অচৌবা ওপরেসন অমা চথখিবনি। মহাক লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকখি হায়না মরাল শীরিবা লৈবাক দোমিনিকাদা ফাখি।

চোকসিগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লক্লবসু জুন ১৮দা দোমিনিকাগী কোর্ট অমনা মহাকপু দোমিনিকা ষ্টেট প্রিজনদা থম্নবা ওর্দর তৌখি। মেজিষ্ট্রেট অদুনা মহাকপু জুন ২৪ ফাওবা রিমান্দ তৌখি। নুমিৎ অসিদা মহাক কোর্ট অসিদা পুথোক্লুনা কোর্টনা মখা তানা রিমান্দ তৌগদৌরিবনি। ইলিগেল এন্ট্রিগা মরী লৈনবা মহাক্কী ৱারোল জুন ২৫দগী হৌনবা লেপখ্রবনি।

চোকসিগী উকিলশিংনা হায় কোর্টতা থাখিবা হেবিয়স কোর্পসকী মেট্টর মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রবনি। ফ্লাইট রিস্ক অমনি হায়রদুনা জুন ১২দা হায় কোর্টকী জজ অমনা চোকসিগী বেল এপ্লিকেসন রিজেক্ট তৌখি। জুন ৮দা ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা দোমিনিকান হায় কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিটতা চোকসিবু ইন্দিয়ন সিটিজন অমনি পনবগা লোয়ননা সিটিজনশিপ থাদোক্লবা থারকখিবা মহাক্কী এপ্লিকেসন রিজেক্ট তৌখ্রে হায়খি।

# অহুমশুবা কোভিদ ৱেভ থেংননবা অৱাংবা থাক্কী পেনেল শেমখ্রে

কোলকটা, জুন ২৩ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হৌজিক নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং ২,০০০ য়ৌদ্রবসু মথং থা অনীগী মনুংদা থোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা কোরোনাভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভ কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

কম্মিটি অদুগী অহানবা ওফিসল মীফম য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফমগদবনি। কম্মিটিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোকপগা লোয়ননা লায়েংবগী প্রোসিজরসু লেপকনি। খূদিংমকসিগী পান্দমদি লায়না অসিবু হেক হৌবদগী কন্ট্রোল তৌবনি।

অৱাংবা থাক্কী এক্সপর্ট কম্মিটি অদুদা এস এস কে এমগী দোক্তর তরুক য়াওরি। দোক্তরশিং অদুদি-জি কে ধালি, মাইহয়ৌ বেনর্জি, সৌমিত্রা ঘোস, ত্রিনেল কান্টি দাস, অমুতোশ ঘোস অমসুং অভিজিট চৌধুরিনি। মখোয়দা নত্তনা কম্মিটি অদুদা পেদিয়াত্রিসান দিলিপ পাল অমসুং ভিভুতি শাহ অমদি য়োগিরাজ রোই অমসুং জয়োতিরংমোয় রোইগুম্বা লৌনগনবা লায়নাগী স্পেসলিষ্টশিংসু য়াওরি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা ফমগদবা অহানবা ওফিসল মীটিংদা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা কোভিদকী ফিভম খন্নগনি অমসুং অহুমশুবা ৱেভকী শেম শানবা মথৌ তাবা রিক্কম্মেন্দেসনশিং পীনবা হোৎনগনি।

# মমা-মপা অয়াম্বনা অঙাংশিং স্কুলদা থানিংদ্রি

ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী):
মমা-মপাশিং ওইরিবা লৈবাক অসিগী মীওই চাদা ৭০না মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদ কেস জিরো ওইদ্রিফাওবা নৎত্রগা অঙাংশিং ভেক্সিন কাপত্রিফাওবা মখোয়গী অঙাংশিং স্কুলদা থাবা পাম্নদ্রি।

লোকল সর্কলসকী সর্ভে অমগী মতুং ইন্না, থা মরিগী মনুংদা মচাশিংবু স্কুলদা থাবা পাম্বা মমা-মপাশিংগী মশিংগী চাং চাদা ৬৯দগী চাদা ২০দা হন্থখ্রে।

কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা অঙাংশিংদা শীজিন্নবা য়াবা কোভিদ ভেক্সিন ফংহল্লগদি মমা-মপা ওইরিবা মীওই চাদা ৬৫না মখোয়গী অঙাংশিং ভেক্সিন কাপহনবা পাম্মী।

লোকল সর্কলসকী মতুং ইন্না, চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা গভর্ণমেন্টনা ব্রীফিং অমদা স্কুল হাংবা হায়বসি অয়াম্বা মীশিং ভেক্সিন কাপত্রবদি লুনা থোক্কনি হায়না লাউথোকখি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভতা য়াম্না পীক্লিবশিং য়াওনা অঙাংশিং ফাওবা কোরোনাভাইরসনা শোকহনখি।

কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ লাক্লগনি হায়বগী অকিবসু লৈরিঙৈ অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অঙাংশিংবু স্কুল কাহন্দুনা মহৈ তম্বীবা হৌবা অসিনা কোরোনাভাইরস কেস মশিং হেনগৎহল্লক্কনি হায়না মেদিকেল এক্সপর্টশিংনা মোত পীনরি।

# বী সী আইনা গোৱাদা লিগেল এদ্যুকেসন, রিছর্চকী য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলগনি: সী এম

পানাজি, জুন ২৩ (এজেন্সী):
গোৱাদা লিগেল এদ্যুকেসন অমসুং রিছার্চকী ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎপগী ৱাফম য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গোৱা কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সৱান্তকী মতুং ইন্না লিগেল এদ্যুকেসন অমসুং রিছর্চকী য়ুনিভর্সিটি অদু বার কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা ফন্দিং তৌগদবনি।

সৱান্তনা হায়খি, প্রোজেক্ট অদুগী মফম হৌজিক চপ চানা লেপত্রি। অমরোমদা গোৱা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক সিঙ্গাপোরদা লৈরিবা অর্বিত্রেসন সেন্টরগী মওংদা গোৱাদসু ইন্টরনেসনল অর্বিত্রেসন সেন্টর অমা লিংখৎলগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না, লিগেল এদ্যুকেসন অমসুং রিছর্চকী ওইবা ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি অদুগী অপূনবা সিটশিংগী চাদা ২০ গোৱা মচাশিংগীদমক রিজর্ভ তৌগনি। চাদিং খূদিংমক বার কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী ওইগনি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেল অমত্তা তিংলোই।



চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, য়ুনিভর্সিটি অদু বার কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা চল্লাইগনি অমসুং ষ্টেটনা ইন্সটিট্যুসন অদু লিংখৎনবগী বার কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়াদা লম লেম্না পীগনি। গভর্ণমেন্টনা লিংখৎকদৌরিবা ইনটরনেসনল অর্বিত্রেসন সেন্টর অদুসু য়ুনিভর্সিটি অদুনা ওপরেট তৌগনি।

অমরোমদা, কোরোনাভইরসকী দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট থেংনরবা মহারাষ্ট্রগী খা থংবা দিষ্ট্রিক্ট সিন্দুর্গকা তায়নবা গোৱাগী বোর্দর এরিয়াদা কোভিদকী স্ক্রিনিং হেনগৎলে হায়নসু চীফ মিনিষ্টর সৱান্তনা ফোঙদোকখি।

স্ক্রিনিং থুজিন্নবা বোর্দরদা প্রাইভেট লেবোরেটরি অমা লিংখৎনবসু গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গোৱাদা সেম্পল ২৬ দেল্টা ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইখি। তৌইগুম্বসুং গোৱাদা দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট অমত্তা থেংনদে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 59,90,000+8,470 | 57,40,000+9,043 | 1,19,000+482 |
| Kerala | 28,30,000+12,617 | 27,20,000+11,730 | 12,295+141 |
| Karnataka | 28,20,000+3,709 | 26,60,000+8,111 | 34,164+139 |
| Tamil Nadu | 24,40,000+6,895 | 23,50,000+11,144 | 31,580+194 |
| Andhra Pradesh | 18,60,000+4,169 | 17,90,000+8,376 | 12,416+53 |
| Uttar Pradesh | 17,00,000+202 | 16,80,000+397 | 22,282+58 |
| West Bengal | 14,90,000+1,852 | 14,50,000+2,037 | 17,437+47 |
| Delhi | 14,30,000+397 | 14,10,000+467 | 24,933+8 |
| Chhattisgarh | 9,92,000+482 | 9,70,000+1,032 | 13,402+7 |
| Rajasthan | 9,51,000+137 | 9,40,000+437 | 8,904+3 |
| Odisha | 8,83,000+2,957 | 8,49,000+4,159 | 3,671+38 |
| Gujarat | 8,23,000+135 | 8,07,000+612 | 10,037+3 |
| Madhya Pradesh | 7,89,000+65 | 7,79,000+318 | 8,806+20 |
| Haryana | 7,68,000+146 | 7,56,000+263 | 9,295+20 |
| Bihar | 7,20,000+268 | 7,08,000+468 | 9,563+6 |
| Telangana | 6,16,000+1,175 | 5,95,000+1,771 | 3,586+10 |
| Punjab | 5,93,000+405 | 5,71,000+880 | 15,888+34 |
| Assam | 4,88,000+2,869 | 4,51,000+2,482 | 4,280+37 |
| Jharkhand | 3,45,000+110 | 3,38,000+180 | 5,102+2 |
| Uttarakhand | 3,39,000+171 | 3,29,000+231 | 7,052+8 |
| Jammu and Kashmir | 3,13,000+428 | 3,01,000+999 | 4,269+7 |
| Himachal Pradesh | 2,01,000+188 | 1,95,000+315 | 3,453+5 |
| Goa | 1,65,000+303 | 1,59,000+438 | 3,008+11 |
| Puducherry | 1,15,000+284 | 1,10,000+433 | 1,727+1 |
| Manipur | 64,993+575 | 54,714+649 | 1,065+10 |
| Tripura | 63,140+395 | 58,735+554 | 658+4 |
| Chandigarh | 61,467+23 | 60,383+56 | 806 |
| Meghalaya | 45,976+421 | 40,915+341 | 788+3 |
| Arunachal Pradesh | 33,664+289 | 30,956+279 | 160+1 |
| Nagaland | 24,438+64 | 22,204+149 | 477+2 |
| Ladakh | 19,871+33 | 19,309+38 | 202 |
| Sikkim | 19,458+137 | 16,732+152 | 296+3 |
| Mizoram | 18,409+430 | 13,900+233 | 85 |
| Lakshadweep | 9,504+33 | 9,142+36 | 47+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,425+10 | 7,195+4 | 127 |


### শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম ঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরন্বী **ঙাঙোম ঁমনিশংবী (চন্দ্রাবতি) দেবী**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১৮-০৬-২০২১ ইং, ইঙাগী ৮নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরু কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীশ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মদনমোহন দাশি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৩-০৬-২০২১ ইং, ইঙাগী ১৩নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ০১-০৭-২০২১ ইং, ইঙাগী ২২নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা লৈখিদ্রবীগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসি হৌজিক লৈবাক্কী ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম্না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তনা ঈশ্বরগী থৌরম পাঙথোকচরগনি।

থৌরম পরেং :-
অয়ূক পুং ৮.০০ : ভেক কৎপা
অয়ূক পুং ৯.০০ : সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১১.০০ : সঙ্কীর্ত্তণ লোইবা

সেবা ফংজরিবশিং ঃ-
১। ঙাঙোম তিকেন্দ্রজিৎ সিংহ (মচানুপা)
২। ঙাঙোম রাষ্ট্রপতি সিংহ (মচানুপা)
৩। ঙাঙোম নিংঙোল কিরনবালা দেবী (মচানুপী)
৪। ঙাঙোম বিমোল ইন্দু সিংহ (মচানুপা)
৫। ঙাঙোম নিংঙোল শ্যামা দেবী (মচানুপী)
৬। ঙাঙোম নিংঙোল শান্তিবালা দেবী (মচানুপী)
৭। ঙাঙোম রোবিন সিংহ (মচানুপা)
৮। ঙাঙোম নিংঙোল সুপ্রিয়া দেবী (মচানুপী)

শীংজমৈ চিরোম লৈকাই, ইম্ফাল।

HL-P/9960/24



### শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম ঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরন্বী **লিশম ওংবী ঁরোনিবালা (তোম্বী) দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২১/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১১নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **"তুলাশি দাসিনী"** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৬/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১৭নি পানবা থাংজ নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০৪/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ২৫ নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা লাই-গুরু, ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

ভেক কৎপা : অয়ূক পুং ০৮.০০
সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা : অয়ূক পুং ৯.০০
শ্রাদ্ধ লোইবা : পুং ১২.০০

বিনিতগণ ঃ-
লিশম মেমপতি দেবী (মনেমবোক)
লিশম দিনচন্দ্রা (মণি) সিংহ (মপুরোইবা)

খোংমন ময়াই লৈকাই, জোন ৩, নোংপোক।।

HL-P/9959/24 # 7005801979 / # 9541293280



### ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা




থৌনাওজম লৈকাই চাওখৎ-খোঙথাং লূপ ৱাঙ্গোই অসিগী ফাউন্দর মেম্বর লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবীরম্বা য়ুন্নাম অরুননা হৌখিবা তাং ১৭-৬-২০২১ ইংদা খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা টি এল সী কে এলগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেন্বা মপূগী খূয়া খাদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনীজরি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **Thounaojam Sunil Singh,**
Secretary, Thounaojam Leikai Chaokhat-Khongthang Lup, Wangoi

HL-P/9957/24



### ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্বুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুবগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6